হুইয়েন লানপাউ

ইন্দো-বাংলা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্টিবেল-২০১৮ বাংলাদেশতা শরুক য়ারুবা মণিপুরী কলচরেল টিম ওকপা থৌরমগী শক্তম অমা

RECEPTION PROGRAMME OF
লামায় ৩

বি জে পি লিংখৎ-খিবগী ৩৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম ষ্টেটকী থাক্তা অমসুং মন্দলশিংগী থাক্তা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোক-পগী থৌরম

শাশিন্নবা সী দি এনা শেল কায়থোক-খিবা লৈতে হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা এম পি সী সীগী টিম

শক্লাইরবা শৈরেংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্ম লৈখিদবগী অহুল্লকশুবা কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীয়াম্না লৈখিদ্রবগী শক্তমদা লৈ-শু কৎপা

Vol. 42, Issue No.015 | ইরাই, শজিবু ২১নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, April 06, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭২.১০
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৩.০০

ওইনাম লুখোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরিবা ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এ ওইনাম লুখোই মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট এজেন্সী (এম আই দি এ)গী ভাইস চ্যেরমেন ওইনা খূদক্তগী মখা তাবা য়াথং অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা থবক পুরগনি হায়না লৈঙাক্না ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে।

পোষ্টিং পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ : এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ২২৩গী পোষ্টিং পীখ্রে হায়না সেক্রেটরিয়েট হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি। এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং অসিনা মাগী-মাগী পোষ্টিং মফমশিংদা জোইন্ট তৌগদবনি হায়নসু ওর্দর অদুনা মখা তারি।

দিমান্দ তৌরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ : চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেংলেপকী এস দি ও ট্রান্সফর তৌগদবনি হায়না হেংলেপ সব ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.৫৪ °C	১৫.৭৪ °C
চান্দেল	৩৩.৯৯ °C	১৫.৮৯ °C
সীসীপুর	২৯.৯৯ °C	১৪.১৭ °C
ইম্ফাল	২৭.৫৭ °C	১৪.২২ °C
সেনাপতি	২৭.৯২ °C	১২.৩৭ °C
তমেংলোং	৩১.৯২ °C	১৪.৯২ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২১.৬২ °C	১৩.০১ °C
মণিপুর	৩৩.৯৯ °C	১২.৩৭ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.567443
US Dollar	64.943917
British Pound	91.009237
Australian Dollar	49.904001
Chinese Yuan Renminbi	10.299923
Japanese Yen	0.606291
Malaysian Ringgit	16.793910
Norwegian Krone	8.293584
Singapore Dollar	49.378086
South Korean Won	0.061231
Swedish Krona	7.720415
Turkish Lira	16.105796
Myanmar Kyat	0.04896
Bangladesh Taka	0.78256

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31208.56
Mumbai	–	Rs 32470.59
Delhi	–	Rs 31925.13
Kolkata	–	Rs 32331.55

HL POLL

Q : Weightlifter Mirabai Chanu da leingakna Manipur Police ki DSP gi fam piba yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Gurugram da Manipur leingakna lupa lakh 34 piduna leikhiba lam manglagani khanbra?

Yes 73% No 27%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

শেল হুরানখ্রে, অমনা হুরান্দে হায়রে, কোক ঙাওরেদা...!



মখোয় মশেল অমত্তনি, তাৎনি...!

ৱেটলিফ্‌টর মিরাবাইনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা কমনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড লৌরে

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা মীয়াম্না থাগৎনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : গোল্ড কোষ্ট কমনৱেল্থ গেমসতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মণিপুরীগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলুপ্তা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

মীতৈ চনু মিরাবাইনা স্নেচ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্ক অনীমক্তা মহাক্না অনৌবা গেমস রেকোর্দ থমখি। মহাক্না স্নেচতা কিলোগ্রাম ৮৬ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১০ পূন্না কেজি ১৯৬ থাঙ্গৎখি। মমাং চহীগী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপদা মিরাবাইনা স্নেচতা কে জি ৮৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ১০৯, পূন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মহাক মশাগী রেকোর্দ অসিসু ঙসিগী অসিনা থুগায়রে।

পাউ অসিনা হায়, মৌরিসিয়সকী ৱেটলিফটরনা পূন্না কেজি ১৭০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংখি। শ্রীলঙ্কাগী দিনুসা গোমিসনা কেজি ১৫৫ থাঙ্গৎতুনা কমলৱেল্থ গেমস অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০০৭ তা ৱেটলিফটিংদা মাংজিল থানা শান্নরম্বা নামৈরাকপম কুঞ্জরানীনা পোত্থাখ্রবা তুংদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী পজেং ফিরাল থেৎপা ঙল্লকখিবনি।

Gold Coast
2018
Commonwealth Games
THE STAR
tafe
OPTUS
LONGINES

কমনৱেল্থ গেমসতা গুরুরাজনা সনাগী মেদল ফংলকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকপা ২১শুবা কমনৱেল্থ গেমসতা নুপীগী কে জি ৪৮গী ৱেটলিফটিং মশান্নদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎখ্রে। মহাক্কী থাগৎপগী মেসেজ অদুনা হায়, মিরাবাই চনু মণিপুরগী অচঙবা নিংঙোলনি। মহাক্না ষ্টেট অসিগী অমসুং ইন্দিয়াগী মায় পুরকখিবগীদমক চাওথোকচৈ। মহাক্না মখা তানা ষ্টেট অসিগী অমসুং লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্কনবা তোঙান-তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ্তসু মেদলশিং পুরকখিগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

ৱার্ক্স/পাৱর মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনসু সাইখোম মিরাবাই চনুনা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা গোল্ড মেদল লৌরকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না লৌরিবা থৌদাং অসিগীদমক ঐখোয় পূন্নমক্না চাওথোকচবা পোকই হায়রি।

য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডো. টি মৈন্যে অমসুং ওল ইন্দিয়া য়ুঠ ফেদরেসননসু সাইখোম মিরাবাই চনুবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মপান লমদা ফোঙবা পাউচেশিংদা সাইখোম মিরাবাই চনুবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলদুনা য়েরুম অমসুং য়েন চাবা ফংলকখিদ্রবী মিরাবাই চনুনা কমনৱেল্থ গেমসতা গেল্ড মেদল লৌরে হায়না হেদলাইন তৌরগা ফোঙবসু য়াওরি।

সাইখোম মিরাবাই ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি রিপিল বিল এসেন্ট পীখ্রে

পিটিসনর ওইখিবা কোংগ্রেস এম এল এ অনীগী কাউন্সেলনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদগী নুমিৎ ১০ নিগী মতম লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ওপোজিসন এম এল এশিং য়াওদনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩ দা পাস তৌখিবা *দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলরি এন্দ এলাৱেন্স এন্দ মিসিলেনস প্রোভিজন্স) রিপিলিং বিল*, ২০১৮ ঙরাং গভর্ণরনা অয়াবা পীরকখ্রে।

গভর্ণরনা এসেন্ট পীরকখ্রবা মতুং বিল অসি ঙরাং এপ্রিল ৪ দগী এক্ট ওইনা চৎনরে। হীরম অসিগী মতাংদা গেজেট নোটিফিকেসন অমসু ঙরাং থোকখ্রে হায়রি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পগী এক্ট অদু ককপীনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা ঙসি কোর্ট অসিদা হিয়ারিং চথখি। এক্টিং চীফ জষ্টিশ এন কোটিশ্বরনা লুচিংবা দবল বেঞ্চতা ৱাফম অসি খন্নরকপদা *দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলরি এন্দ এলাৱেন্স এন্দ মিসিলেনস প্রোভিজন্স) রিপিলিং বিল*, ২০১৮ গভর্ণরনা ঙরাং এসেন্ট পীখ্রে হায়না এদভোকেট জেনরেলনা ফোঙদো-রকখি। মদুগা মরী লৈনবা গেজেট নোটিফিকেসনসু কোর্টতা থমখি। মরম অদুনা কোর্ট অসিদা খন্নরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পগী এক্ট অদুগী মতম লোইখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

ৱাফম অদু তারবা তুংদা পিটিসনর ওইখিবা এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং দি দি থাইসিগী কাউন্সেলনা ৱাফম অসি ঙসি খক্তমক খঙবনা মখা তানা করি তৌগদগে হায়বদু লেপথোক্লনবা নুমিৎ ১০ নিগী মতম পীবীনবা হায়জরকখি অমসুং কোর্টনা নুমিৎ ১০ নিগী মতম পীখ্রে হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরিয়েট : লো এন্দ লেজিসলেটিব এফেয়র্স দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অসিনা হায়, *দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলরি এন্দ এলাৱেন্সেস এন্দ মিসিলেনস প্রোভিজন্স) এক্ট*, ২০১২ রিপিল তৌরে।

এক্ট অসি রিপিল তৌখিবা তারবসু মমাংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংনা এক্ট অসিগী মখাদা মশাগী মথৌ পাঙথোকখিবা অমসুং লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিংদা অকায়বা লৈরোই। রিপিল তৌখ্রবা এক্ট অসিগী মখাদা ফংবা রাইট, প্রিভিলেজ অমসুং ওব্লিগেসনদসু অকায়বা লৈরোই।

গেজেট নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েল শঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টতা লাকখিবা ট্রান্সফর কেস (সিভিল) নম্বর ১৬৯ ওফ ২০০৬ তা বিমোলংসু রোই অমসুং অসাম গভর্ণমেন্টকীদা পীখিবা রুলিং অদুগী মখা তারকপা ওইনা কুমজা ২০১২ দা শেমখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পগী এক্ট অদু রিপিল তৌবা তঙাইফদবা ওইরে হায়রি।

ওফিস চঙদবগী খোঙজং হৌরগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): জে এ সী এমটুক, এমজিওনা ষ্টেট অসিদা তরেৎশুবা পে কম্মিসন চৎনহল্লু হায়বা য়াওনা চার্টর ওফ দিমান্দশিং তাল্লদুনা চঙশিল্লিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা হন্দোকখিরোই, ওফিস চঙদবগী খোঙজং হৌরগনি হায়না জে এ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইতোঞ্জম বিকেননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা জে এ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি বিকেননা হায়খি, জে এ সীনা চঙশিল্লকখিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং নুমিৎ ১৫ নি শুখ্রে। জে এ সীনা তাল্লি-বা দিমান্দশিংগী মতাংদা লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবা পোজিটিব ওইবা রেস্পোন্স পীবগী মহুৎতা থৌপুবা কয়া ফানবা তান্নরি। থৌপুবশিং ফাবনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। জে এ সীনা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মতাংদা করি থবক তৌরগা পোজিটিব ওইবা মায়কৈদা চঙশিল্লক্কদগে হায়না লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা চুমগনি।

মণিপুরদা আর কে জয়চন্দ্রনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা মরিশুবা সেন্ট্রেল পে চৎনহনখি। ষ্টেট পে হায়না চৎনরম্বদগী লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর অসিগী মতমদা মরিশুবা সেন্ট্রেল পে অসি লাকখিবনি। মতমদুদসু খোঙজং কয়া চঙশিনবা লৈখি। চীফ মিনিষ্টর দল্লিয়ু নুপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতমদা মঙাশুবা পে চৎনখি। ইমপ্লোয়ীশিংনা থা ১ রোম খোঙজং চঙশিল্লবা মতুংদা অসিগুম্বা দিমান্দ অসি ফংখিবনি। মঙাশুবা পে চৎনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্না শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা চৎনহল্লকখিবনি। মসিগী মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী মতমদা ষ্টেট অসিদা তরুকশুবা পে চৎনহনখি। মতম অদুদা ইমপ্লোয়ীশিংনা থা ২গী ময়াদা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চথখি। খোঙজং চঙশিল্লবা মতুংদা ৬শুবা পে অদু পীবীখিবনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা তরেৎশুবা পে কম্মিসন চৎনহন্নবা কয়ারক হন্না হায়জবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগসু উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রে। ফাইনান্সকী থৌ পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগসু ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

মণিপুর মোদেল ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনসি : সী এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরবু লৈবাক অসিগী মোদেল ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনসি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি গো টু দি ভিলেজ মিসনগী খন্ন-নৈনবা মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা অফবা অহোংবা পুরক্লুবগীদমক লায়রবশিং অমদি তঙাইফদবা মীওইশিংদা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক তৌদুনা ফগৎনবা পূন্না হোৎনমিন্নসি। গো টু দি ভিলেজ মিসন অসিগী মখাদা ঐখোয়না কন্সটিট্যু-য়েন্সি খূদিংমক্কী খুলশিংদা চৎতুনা য়েংশিনগদবনি। খুলশিংগী ইনফ্রা-ষ্ট্রকচর মেপিংসু অথুবদা তৌরগনি। দেপ্যুটি কম্মিস্নর-শিংনা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা খুলশিংগী চপ চাবা মশীং অদু আইদে-ন্টিফাই তৌগদবনি। মিসন অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মফম খূদিংমক্তা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন চথবা তাই।

গো টু দি ভিলেজ মিসন অসি ষ্টেট অসিদা চাউখৎ থৌরাংগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়নননা পায়খৎলক্লিবনি। মসিগীদমক শেল-থুমগী অৱাৎপা লৈরোই। এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেট-রিশিং, হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা অমগা-অমগা কোওর্দিনেসন লৈনা থবক থৌরমশিংদা ৱাখল্লোন ফাওদো-ক্লদুনা থবক পায়খৎকদবনি। প্রোগ্রেমশিং চপ চানা য়েংশিন্নবগী-দমক টিমৱার্ক হায়বসি খ্বাইদগী মরুওই। এগ্রিকলচর, পাৱর, এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থনচিংবা অসি মিসন অসিগী মখাদা প্রাইওরিটি সেক্টর ওইনা মীৎয়েং থমগনি। মিসন অসি মায় পাক্লা পায়খৎপা য়ানবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটি অমসু শেম্লগনি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা কম্মিটি অসিগী ভাইস চ্যেরমেন ওইগনি। ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা কনভিনর ওইগনি। এম এল এশিংনা মেম্বর ওইগনি।

থা অসিগী ৮ দা সীটি কনভেন্সন সেন্টরদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লাম্মৈ থাবগী পাউদা গভর্ণর নজমা হেপ্তুলানা নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচেশিংদা হন্দক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খেব চীং অমসুং মসিগা নক্কবা চীংশাংশিংদা লাম্মৈ থাবগী পাউ অদুনা গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলাদা নুংনাংবা পোকহল্লে।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, উমং হায়বসি লৈবাক অসিগী লননি অমসুং মসি ঐখোয় পূন্নমক্কা মরী লৈনরিবনি হায়না গভর্ণরনা ফোঙদোকই। মণিপুর অসি বাইওদাইভর্সিটিদা ইনাক খুনবা ষ্টেট অমনি অমসুং মসিবু মাঙহন্দনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মীওই খরনা অতম্লনা তৌগে য়াওনা লাম্মৈ থারকপা অমসুং মসিনা পীরিবা চৈথেংশিং অসি লাইবক থীবনি। মসিনা ঐঙোন্দা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা পোকহল্লি। ঐখোয় পূন্নমক্কী লন ওইরিবা উমংশিং ঙাক শেন্নবা অমসুং উ-ৱাশিং হেন্না থাদুনা উমং হেনগৎ-হন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবদু খঙমিন্নবা চুমগনি। মালেমগী ওইনা অঙৈং-অশাগী খল কায়থরকপনা খ্বাইদগী খূদোংথীবা য়াবা ফীভম অমদা লৈরিঙৈগী তাঞ্জা অসিদা কনাগুম্বা খরনা লাম্মৈ থাবা হায়বসি অচুম্বা নত্তে। হেক ঙম্বমখৈ হোৎনদুনা বাইওদাইভর্সিটি ঙাক শেনসি।

বি জে পিগী মপোক কুমওন ঙসি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) লিংখৎখিবগী ৩৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং ষ্টেট লেবেলদা অমদি মন্দলশিংগী লেবেলদা পাক শন্না পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন কে সরতকুমারনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা কে সরতকুমারনা হায়খি, বি জে পি লিংখৎখিবগী ৩৮লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং ষ্টেট লেবেল, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল অমদি মন্দল লেবেলদা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারে। ষ্টেট লেবেলদা পাঙথোক্-দৌরিবা থৌরম অসিগীদমক প্রসি-দেন্ট ইন-চার্জনা চ্যেরমেন ওইবা অদুগা জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বসনা কনভিনর ওইবা কম্মিটি অমা শেম্লে। হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবদা পার্টিগী ওফিসতা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি।

দিষ্ট্রিক্ট অমদি মন্দলশিংগী লেবেলদসু থৌরম অসি পাঙথো-ক্লবগীদমক শেম শাবা লোইরে। দিষ্ট্রিক্ট লেবেলদা পাঙথোকপা থৌরমদা বি জে পিগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী থৌ পুবশিং অমদি ষ্টেটকী থৌপুবা কয়ানা শরুক য়াগনি। মন্দলগী লেবেলদা পাঙথোকপা থৌরমদা মন্দলগী থৌপুবশিংনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিগীদমক তঙাইফদবা থৌরাং খূদিংমক শেম শাবা লোইরে।

অমরোমদা, শাশিন্নবা সী দি এনা শেল কায়থোকই, কায়থোক্তে হায়বগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা ময়েক শেংনা শেল কায়থোকপা লৈত্রি, সিজ তৌদুনা থল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবনি। মিনিষ্টর অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রবনি। থৌদাং লৈবা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস পার্টিদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। লৈঙাক পায়রম্লবা পার্টি অমনা অসিগুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লৈরি। বি জে পিদি হায়জিনবগী কলচর লৈতে হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা মখা তাখি।

শেল থাদবগা লোয়নননা লল্লোন ইতিক্কী থবক হেনগৎহন্নবা য়ানখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): ম্যান্মারগী সাগাঙ রিজনগী চীফ মিনিষ্টরগী কনফরেন্স রূমদা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী টিম অমগা সাগাঙ রিজনগী ওফিসল কয়া য়াওনা কন্সল্টেটিব মীটিং অমা পাঙথোক-খিবগা লোয়নননা ম্যান্মার অমদি মণিপুরগী মরক্তা ট্রেদ, গুদস সার্ভিস অমদি ইনভেষ্টমেন্ট হেন্না ফগৎ-হন্নবগী মতাংদা য়ানখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইকনমিক্স মোনিৱাগী রেক্টর, দিরেক্টর জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন সাগাঙ রিজন, কষ্টম অমদি ইমিগ্রেসনগী ওফিসল কয়ানা শরুক য়াখি। মণিপুরগী মায়কৈদনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্সকী মীহুৎ কাঙবু অমনা শরুক য়াখি। কন্সল্টেটিব মীটিং অদুনা খন্নরবা মতুংদা য়ানখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা একাদেমিক এক্সচেঞ্জ তৌনবা, সাগাঙ-মণিপুর দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মতাংদা ম্যান্মার অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতা পুখৎপা, সাগাঙ অমদি মণিপুরগী মরক্তা ট্রেদ, গুদস, সার্ভিস অমদি ইনভেষ্টমেন্ট ফগৎহন্নবা পূন্না প্লান তৌবা, এম ও য়ু সাইন তৌনদ্রিঙৈ মাংওইননা জোইন্ট রিছার্স তৌবা অসিনচিংবা য়াওরি।

মীফম অদুনা, পিল্লর নম্বর ৭৭, ৭৮ অমদি ৭৯ কন্সট্রক্সনগী মতাংদসু নোট তৌখি। রিজনেল অমদি কম্যুনিকেসন দিভলপমেন্টকী মতাংদসু ইন্দিয়ান সাইট অমদি ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কোওপরেসন পীনবগী মতাংদসু নোট তৌখি হায়নসু মখা তারি।

কন্সল্টেটিব মীটিং অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জন, ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. অমর য়ুম্নামসু শরুক য়াখি। ম্যান্মার সাইটতা মোনিৱা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইকনমিক্সকী রেক্টর প্রো. সো ৱিন অমদি ডো. ওং ক্যোসু য়াওখি।

মণিপুরদা নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক লৈখ্রবা তুংদা ম্যান্মারগা মণিপুরগগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক্কী অফবা মরী অমা তপ্না-তপ্না শেমগৎলক্লি। ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী ৱাফম ঙাক নৎতবদা মণিপুরগা থংননা লৈরিবা ম্যান্মারগী সাগাঙ রিজনগী মীয়ামগী মরক্তসু হেন্না ফবা, নকশিন্নবা মরী থম্মনবা হোৎনবগী মহয় তপ্না-তপ্না চাবা হৌরক্লে। অথুবা মতমদা ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্ভিসসু হৌবা য়াবগী ঈঙ্গিৎ লৈরে হায়না লৈঙাক্কী পাউ অমনা মখা তানা হায়রি।

দি টি পি ওপরেটর ২ পামজৈ

পাউচে অসিগী ষ্টাফ ওইনা লৈগদবা বেঙ্গোলি নম্বা হৈবা দি টি পি ওপরেটর ২ (অনী) অথুবগী ওইনা পামজৈ। অহানবা লাকপা মীওইদা খূদোংচাবা পীগনি। অকুপ্পা মরোল পাউচে অসিগী ফ্রন্ট ওফিসকী টেলিফোন নম্বর ২৪৪০৭৭১/২৪৪৫১০৬ দগী খঙবা য়াগনি।

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

শেল কায়বগী ৱাথোক ফোঙদোক্লমদ্রবদি লোৎশিল্লমগনি : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): শাশিন্নবা সী দি এনা শেল কায়থোকখ্রে হায়বা ৱাফম অসি কোংগ্রেসনা ফোঙদোক্লমদ্রবদি নমশিল্লম্বা য়াই হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ৱাঙাঙলোয় হরেশ্বর গোশ্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ৱাথোক অসি ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা হান্না খঙলকপনি হায়জরগসু ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা চে ইরবা মতুংদা মীৎশিং-নাশিংবগী থবক ওইনা তৌই। করিগীদমক্তা মখোয়না ৱাথোক অসি হান্না খঙবা ওইরগদি পুলিসতা চৎলমদবনো? শাশিন্নবা চেকনা শেল কায়থোকপা লৈতে হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসি করম্না খঙলকপনো, হৌজিক-হৌজিক ইনভেষ্টিগেসনসু চথরি হায়, পুলিসতা ৱাকৎলেসু হায়, অদুগা মহাক্না কমদৌনা থিগৎলগা শাশিন্নবা চেকনা শেল কায়থোকপা লৈতে হায়রিবনো হায়নসু মখা তাখি।

কোংগ্রেসনা পুথোক্লিবা ৱাফম অসি মনা লৌননবা নত্তে, মীয়ামগী লন-থুম মাঙখিদনবা কোয়শেন শেন্নবগী থৌদাং ওপোজিসন অমা ওইনা লৌবনি। মসিদা হংনিংলিবদি মার্চ ৩০/৩১ দা তৌবা থবকপু কমদৌনা নুমিৎ ৩/৪ নি হৌখ্রবা ফাওবদা প্রেস কনফরেন্স করিগীদমক্তা তৌখিদবনো, মীয়ামদা অসুম্না শেল কায়থোক্লনবা তৌরম্লে হায়না লাউথোকখিদবা করিগীনো। কোংগ্রেসনা প্রেস কনফরেন্স তৌরবা মতমদতা মিনিষ্টরনা শেল কায়থোকপা লৈখিদে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। অদুগা, হীরম অসিগা মরী লৈননা মীওই অমসু ফারে হায়না পল্লকখিবনি।

চেক দ্রোৱেল ওঠোরিটি (সী দি এ)গী অয়াবা পীরগা শেল কায়থোকপা হায়বসি অরায়বা থবক অমা নত্তে। মসিদা ফাইনান্স দিপার্ট-মেন্টকী ওফিসল কয়ামরুম অমসুং পি দল্লিয়ু দিগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়ামরুমগী খূৎয়েক চঙফম থোকই। মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অদুনা মরী লৈনরিবা মীওই পূন্নমক্কী খূৎয়েক শারম্লা, মহাক্না খূৎয়েক শাই হায়রিবদু কনা-কনাগীনো হায়বদু মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱাথোক অসি কোংগ্রেসনা লায়না লৌদে। ৱাথোক অসিদা অৱাংবা থাক্কী মী ময়াম অমা চেন্নরমগনি হায়না লৌই। তঙাইফদনা ৱাথোক অসি সী বি আইদা থিগৎহন্দুনা ওপোজিসননা তৌরিবা চার্জ অসি কদায় ফাওবা চুম্মী অমসুং লাল্লি হায়বদু খঙদোকমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈগনি। কোংগ্রেসনা চহী ১৫ দা তৌবা ঙল্লমদবা থবকশিং বি জে পিনা থা ১৫গী মনুংদা তৌগনি হায়বদু অরানবা লম্বীদা শেল কায়থোকপগী থবকশিং অসিসু য়াওব্রা হায়না মহাক্না মরী লৈনবশিংদা হংলি।

মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট তিলোতামা লোইতোং-বমনা পাউমীশিংদা হায়খি, ঐখোয়না ঙসি চঙশিল্লিবা ইস্যু অসি লুপা ক্রোর ক্রোরগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবনি। লৈবাক্কী শেল লান্না শীজিন্নখিবা মতমদা ৱাগদৌরিবসি খুন্নাই অসিনি। গভর্ণমেন্টতা মরাল শীরিবা অসি চুমদে হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকই। অদুবু, কোংগ্রেসনা মরাল শীবগী ৱা ঙাক নত্তে। অশোয়বা ময়াম অমা তৌরে, মীয়ামগী শেল-থুম মাঙহনগদৌরে হায়বদু খূদোম্বী থিল্লগা তাকপনি। মসিদা চীফ মিনিষ্টরদা মনা পীবগী ৱাফম লৈতে।

এম পি সী সীগী সেক্রেটরি সরাংথেম খোইরেনফাবনা হায়খি, বজেটতা শেল কয়াম য়াম্না য়াওই, কয়া য়াম্না কায়থোকখ্রবগে, কয়া য়াম্না লেমহৌরিবগে হায়বদু কুপ্পা থিগৎলবা মতমদতা খঙবা ঙমগনি। মসিদা পংহায় হায়রগা মীয়াম্না থাজনিংঙাই লৈতে।